# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-10

(Volcanism and Plate Tectonics)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) মেরাজাউ (প্রোফেসার) (২) ইবোয়াইমা (প্রোফেসার)
(৩) সনাতোম্বা (স্কোলর)

নুপীঃ- (১) থম্বাল (মেরাজাউগী নুপী
(২) য়াইফবী (মেরাজাউগী মচানুপী)

(মফম:- মেরাজাউগী য়ুম, মতম - অঙনবা অয়ুক, ম্যুজিক থারগা এক্সরসাইজ তৌবগী মখোল)

থম্বাল :- (শাওরপ হায়বা) করিনো খঙদেনে অয়ুক অঙনবসিদা এক্সরসাইজ তৌরিনি হায়দুনবু ম্যুজিক অসি তপ তাবামখৈ লৈখৎলগা চোংবগা ফনবগা ... ইস ! ... নাগসে লোয়না পংবা তারে ঐ ... হায় ইবেম্মা ... য়াইফবী নঙবু কৈদৌগে নঙগী ম্যুজিক্তু খজিক্তা লৈথৌ হায়বনে, ঐবু কোক্কসে চীকপনা লোইরে, কয়াম ৱাৎলিগে লোইগদবা নঙগী চোঙ ফনবদুবো ?

য়াইফবী :- (এক্সরসাইজ তৌনা তৌনা) মীনা ঙহাক্তং অয়ুকসিদা নুংঙাইনা এরোবিক দান্স তৌবসিসু অমুক য়েংশিল্লক্লুবো, ম্যুজিকসি তানিংদ্রগা ইমা ঙহাক কদাইদনোমা লৈরুরো।

থম্বাল :- কয়াদা মী উশিংখিদ্রবা অঙাংনোনে, ঐসিবু মানা করিমতা হেক কিদবনিনে, অয়ুক অঙনবসিদা লাইরিক লাইশু তৌদুনা, ইমুংগী থবক ইনখাং খরা মতেং পাংবীগেদি খন্দেনে, নঙ খঙনিদনা ঙসি নপা ৱাক্লিং চৎখিবদু হন্দা হল্লকখিসনু, ফুদহনগে নঙ।

য়াইফবী :- (নোকপা) হুম... হুম... ঐখোয় বাবানা ঐবু ফুদোইবা ... উম শোয়দনা ফুররনি, ঐঙোন্দা ফুবগী মহুৎতা ইমাদা ওইনা ফুজনি।

থম্বাল :- মসি ... মসি... মসি অঙাংসি ঙসি ঐননে হেক শাওরক্তুনা নঙগী ম্যুজিক প্লেয়রগদু লোয়না থুগাইদুনা তোকচনি।

য়াইফবী :- (খরা হেন্না নোকশিনবা) থুগাইরগনা সিদগী হেন্না অফবা অতাংবা অমমুক বাবানা অদুম লৈবীজনি।

| | | |
|---|---|---|
| থম্বাল | :- | মপানে হায়দুনা তৌরিসিনা মচানুপীনা হেক তৌরিবমখৈ য়ারবনিনা ঐগসে মী ওইনা উবিদ্রনে, খঙনিদনা ঙসিদি নোয় নপা-নচা। |
| মেরাজাউ | :- | (হঞ্জিল্লকপা) অহম ! (খৌদেম্বা) কৈদৌরগেনে নোয় নমা নচাবু, অয়ুক অঙনবসিদা য়ৌ-য়া, য়ৌ-য়া অমুক তৌদুনা লৈরম্মীসিবো। |
| থম্বাল | :- | নচানুপীসে লম য়াম হেল্লে, খরা ৰারকপীয়ু। |
| মেরাজাউ | :- | ইচানুপী নাইতোম পোকপী, লাংলেনথোইবী ... ইচা য়াইফবীনা করি লম হেল্লমলগেনে। |
| থম্বাল | :- | অয়ুক ঙন্তাসিদা ঈশৈবু থাবও, জগোইবু শাবও, চোংবু চোংবও অমুক তোইবা তাবা য়েংবগা ঙমজদরে ঐখোয়দি। |
| মেরাজাউ | :- | (নোকপা) অদুগী ওইরেকো নঙনা অদুক শাওরম্মীদুদি, ইচানুপীনা চোং ফল্লিবদুদি হকচাং ফননবা, নাদা য়েক্তনা লৈন্নবা এক্সরসাইজ তৌরিবনিনে। |
| য়াইফবী | :- | (কেশিন্নরগা) অদুনে হায়বা বাবা, ঐখোয় ইমাসে গ্যান সুংতা তাদে, হেল্থ ইজ ৱেল্থ, হকচাং ফবনা লননি হায়বদু হেক্তা কাওবা মাল্লে। |
| মেরাজাউ | :- | অদো ইচাথোইবী নঙসু ম্যুজিক তুদি য়াম্না হৌনা লাওনা থাবদুদি ফৎতেকো। অকোয়বদা অমদি অনকপদা লৈরিবা মীওইশিংদা অরাংবা অহৌবা মখোলনা অকায়বা পীবদুদি ফৎতেকো, নঙসু তপ্লপ থারগা অদুমক নঙগী এএক্সরসাইজদু তৌবা য়াইকো। |
| য়াইফবী | :- | খরা হৌনা খোঙলগা নুংঙাইবা অদুননিদা বাবা। |
| মেরাজাউ | :- | হায় নশা নতোমতগী নুংঙাইবা ঙাক্তা খনবা য়াদেকো, লৈমীন্নবা, য়ুল্লোন কৈলোন্নবশিংগীসু খনগদবনিকো অদুদসু নৎতনা য়াম্না হেন্না অরাংবা মখোলনা নোইস পোল্লুসন থোকহন্দুনা হকচাংদা অমাংবা ওইহনলিবনিকো। হায়মা ! থম্বাল কৈদৌরে নঙদি অদুদা অদুম তুমিন উংদুনা লৈরদি ঐগী চাগা অমতা পীদ্রবদি কৈদৌরবা। |
| থম্বাল | :- | নপা-নচাগী ৰা তাবদা চা পুথোরক্কনিকা লোয়না কাওথোক্লেদা ঐদি, অমুক্তা লৌরুখিগে। |
| মেরাজাউ | :- | য়াইফবী নঙসু লোয়শিল্লোদনা, অয়ুক্কী ৱেকফাষ্ট চান্নবা তৌরোদনা। |
| য়াইফবী | :- | হোয় বাবা, অদো বাবা ঙসি য়ুনির্ভসিটি চৎকদরা । |
| মেরাজাউ | :- | চৎকনি কৈদৌরগেনে। |
| য়াইফবী | :- | উম ... হন্দক্কী সম্মর ভেকেসন মনুংদা লম কোইবা পুবিয়ু, ঐদি ফোরেন কন্ত্রিশিংদা কোইবা য়াম্না চৎনিংঙি অদুনা ঐগী পাসপোর্ট শাবিয়ু হায়গে তৌবনিদা। |

মেরাজাউ :- হোয় হোয় শাবীগে, নঙগী শারদি নমাগীসু য়াওনা নখোয় অনিগী পুল্লপ শাবীহৌরগে।

থম্বাল :- চা লৈজরে, সে সিদা হেক্তা থল্লগে, ব্রেদকা য়েরুমগসু লৈরে।

য়াইফবী :- ইমা ঐগী জুইসতি পুরক্ত্রবো?

থম্বাল :- পুরকএ... পুরকএ... সে সিদা লৈরেসে। করিনো হৌজিক নপা-নচানা পুল্লপ শাহৌরশিকা হায়নখ্রিবদুবো ?

য়াইফবী :- হো ঐখোয় পুল্লপ মপাল লমদা কোইরুনবা পাসপোর্ট শারশি হায়বনিদা।

থম্বাল :- হোয়নে, ঐখোয়সু মালেম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংলুবা য়াইনা, মালেমসিগী ফজবা, নুংঙাইবা মফম খল্ল-খল্লগা চৎলুসি, য়েংলুসি।

মেরাজাউ :- (ফোন রিং লাকপা) হল্লো... হল্লো ... কনা ? ... কনা .... ওইবিরবনো?

ইবোয়াইমা :- মেরাজাউ নৎত্রো, ঐনে, খঙদ্রবো ... ইবোয়াইমনে ... নঙগী মরুপ ইবোয়াইমা।

মেরাজাউ :- হায়মা মরুপ, ইস কুইরেদা নৰা নপাওগা তাখিদবা, নঙদি লন্দনদা সেটল তৌদুনা লৈখিবদগী ঐখোয়গসি নোংমতা নীংশিংলকখিদরে, কমদৌরিগে নঙবো, ইচানুপা সনাতোম্বনা কমদৌরি?

ইবোয়াইমা :- সনাতোম্বগী মমা হেক লৈখিদবদগী ঐ তৌফম খঙদদনা পীক্লিবা ইচা সনাতোম্ববু পুরগা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদা অদুমক জোইন তৌরে, মথং-মথং হোৎনরক্তুনা হৌজিক্তি ঐ প্রোফেসার ওইরে। ইচা সনাতোম্বসু পাখং মপুং ফারে, স্কোলর ওইরে, মীয়াম্না শকখঙনরবা ক্লাইমেট সার্ন্টিষ্ট অমা ওইননবা কন্না হোৎনরি। ইচানুপী য়াইফবীগা ইচলনুপী থম্বালগদি কমদৌরি?

মেরাজাউ :- ইচানুপী য়াইফবী লৈশাবী ফারে, জিওগ্রাফিদা মষ্টর তৌরি, ফেশন মোদেলগী থবকসু তৌরি, থম্বালসু হৌজিক ফাওবদি অনা-অয়েক য়াওদরি, ঐসু য়ুনিভর্সিটিদা প্রোফেসার ওইনা লৈরি। অদো মরুপ ইচানুপা পুরগা অমুক্তংদি নঙসু ঐখোয়গী ইরমদম পোক্লফম লমদম অসিদা লাকউদনা, সুংলাকমক লাক্লরোই হায়রিব্রা?

ইবোয়াইমা :- ঐনা ঙসি নঙোন্দা ফোন তৌরক্লিবসি ইচানুপা পুরগা ঐ য়াম থুনা ইম্ফালদা লাক্কে হায়গে তৌবনি, ঐগীদি য়ুম ইংখোলসু লোয়না য়োনথোকখ্রবনিনা নঙগীদা মতম খরা লৈগে হায়গে তৌবনি।

মেরাজাউ :- অদুদি মরুপ নখোয় য়াম থুনা লাকও, ঐ নখোয়বু ঙাইরল্লগে।

ইবোয়াইমা :- হোয় মরুপ অদুদি অমুক থল্লগে (ফোন থমখিবা)।

থন্বাল :- মোয়বাবা হৌজিক্কীদুবু কনানো?

মেরাজাউ :- ঐগী মরুপ লন্দনদা লৈখিবা ইবোয়াইমাদুনি, মচানুপাগা মবানি ঐখোয়গীসিদা লাক্কে হায়রকপনিদা।

য়াইফবী :- বাবা মাগী মচানুপাগী মমিংদো সনাতোন্বা হায়বা নৎতরো?

মেরাজাউ :- উম মানি, করি তৌরগে?

য়াইফবী :- সনাতোন্বা ... মপাগী মমিংনা ইবোয়াইমা ... ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সির্টিদা রিছার্চ স্কোলর ওইনা লৈবা ... (মতোমতা শোঞ্জবা)।

থন্বাল :- কৈদৌরগে ইবেন্মা নতোমতা মুরুম মুরুম অমুক শোল্লিদুবো ?

য়াইফবী :- ইমা সনাতোন্বা হায়বদুদি ঐ খঙঙে।

মেরাজাউ :- নঙদি কমায়না খঙলিবা ।

য়াইফবী :- কুইরে ঐগা মাগদি ফেসবুকতা খঙনবা, মাদি ঐগী ফ্রেন্দনি।

মেরাজাউ :- ফরে, ফরে, ইহে পুংশে আ য়ৌখ্রেনে চাক ঈশিং অমুক্তা লোইশিন্নবা তৌরুরো থন্বাল, থবক চৎপা থেংখ্রগনি।

য়াইফবী :- লাকও ইমা চাকখুমদা চঙলসি, ঙসিদি ঐসু চাক থোংবা য়াওগে।

থন্বাল :- (নোকপা) ঙসিদি করি নুমিৎনো ঐগী ইচানুপীনা চাক থোংবা য়াওবিনিকা হায়রকইসিবো।

-ম্যুজিক-

(মফম:- লন্দন, ইবোয়াইমগী লৈফম : ফ্লেট, মতম-নুমিদাং)

সনাতোন্বা :- পপা ! ঐনা চহি তরামুক শুরকপা মতমদগীনিকো ঐখোয়না লন্দনদা লৈরক্লিবসে, ঐ মণিপুরদা য়াম্না চৎনিংই, ঐখোয়গী চৎনবীসু অমতা খঙদরে ঐদি, ইমারোল মৈতৈলোন অসিসু ফজনা ঙাঙবা হৈতরে।

ইবোয়াইমা :- উম ! ইচানা হায়বা চুম্মী, কুইরে ঐখোয়না ইরমদম থাদোক্তুনা লাক্লিবসে, ঙসি নোংনিনিসিদা ইম্ফালদা চৎননবা ইপানা পুন্নমক শিনবা লোইরবনি, ঐগী মরুপ মেরাজাউদসু পাউ হায়খ্রবনি।

সনাতোন্বা :- অওইবরা পপা, ঐদি ঙসিমক য়াম থুনা চৎনিংলবনি, য়াম্না উনিংলে মরি-মতা ইমা-ইন্দোন, ইচে-ইনেম পুন্নমকপু।

ইবোয়াইমা :- ঐখোয়না মফম অসিদা থবক তৌদুনা সেটল তৌদুনা লৈরুরবনিনা পাক হেক চৎপা য়াদদনা অসুক কুইবসে খাঙলক্লিবনি, হন্দক্তি পপাগীসু লিব খরা শাংনা লৌবা য়ারনি, নঙগী রিছার্চ ৱার্কনা কমদৌবা।

সনাতোম্বা :- মতম খরদি মাইকেলদা শিনরম্বা তারে, মানা ঐগী থবক খুদিংমক এসিষ্ট তৌবনিনা অদুগীদি করিমতা অকায়বা ওইরোই, এক্সপরিমেন্ট খুদিংমক মানা ফজনা য়েংশিনবা ঙমগনি।

ইবোয়াইমা :- অদুবু ওইরবদি য়াম্না ফরে, মালেমসিগী হৌজিক হৌজিক এক্তিব ওইরিবা ভোলকেনো ১,৫০০ রোমসিগী মনুংদা য়াম্না তোয়না তোয়না পোকখায়গনবা মৈগী চীংশিংগী মরমদা নঙনা নৈনগনি হায়রিবসিবু ঙম্বু ঙমগদৌরিবরনে।

সনাতোম্বা :- পপা, হোৎপু হোৎনরবদি করিগী ঙল্লোইদৌরিবনো, ঐ ইতোমতনা তৌগদবা থবক নৎতে, মালেমসিগী তোঙান-তোঙানবা কন্ত্রিশিংগী মীওইশিংগা পুল্লগা টিম শেমদুনা থীজিনমিন্নগদৌরিবনি।

ইবোয়াইমা :- মদুদি য়াম্না ফবা থবকনি।

সনাতোম্বা :- পৃথিবীগী লৈরোলনুংগী টেক্টোনিক প্লেটশিংনা অমগা অমগা লেংথোক-লেংশিন, ইন্থোক-ইনশিন তৌবদগী আর্থক্কেক অমদি ভোলকেনিক ইরপসন থোরক্লিবনি। করম করম্বা পৃথিবীগী মফমশিংদা হৌজিক হৌজিক ভোলকেনিক ইরপসন থোক্লকপা য়াবগে হায়বদুসু থীজিনগদৌরিবনি।

ইবোয়াইমা :- ভোলকেনিক ইরপসন অমদি গ্লোবেল ৱার্মিং অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরিশিং অসিগী মরমদসু খরা কুপথনা থীজিনহন্নিংই।

সনাতোম্বা :- পপা, ঐখোয়গী টিম অসিনা মদুগী মরমদসু থীজিনগদৌরিবনি। অদো পপা, ঐখোয় ইম্ফাল থোক্লনবা ফ্লাইট টিকেৎ কৈদৌঙৈগী ওইনা ককতোইনো ।

ইবোয়াইমা :- হংচীৎকী ওইনা কক্লসি, ফরে নঙসু ঙহাক পোথাজরো, ইপাসু তুম্লুরগেকো, গুড নাইট।

সনাতোম্বা :- গুড নাইট, পপা... । পপাসু তুম্বা চংখ্রবনিনা, ঙহাক্তং ঐগী ফ্রেন্দ য়াইফবীগা ভিদিও কোল্লিং ঙহাক্তং তৌনখিগে, কুইরে থবক শংদদনা মাগা ৱারী শানবা ফংলকত্রিবসে, পুংবু কয়া তাখ্রজাৎনোনে... উম ১১ তারে থেংলেনে, মখোয় আদদি নোং ঙাল্লি ঙাল্লি তৌরম্লগনি, ঐবু হৌজিকপু কোল তৌখিসিরনে, মাবু পায়বু পায়রক্কদরনে, আ ... চান্স অমুক্তংদি য়েংলগে (মথন্তা ঙাংজবা, ফোন্দা কোল্লিং তৌবগী মওং)।

য়াইফবী :- (রিং লাকপা) অস ! কনানোনে হৌজিকপু কোল তৌরকইসিবো, সনাতোম্বনিনে, হায়মা ভিডিও কোল্লিংনিনে, ইস ঐদি তুম্লুবগী কোক্কসে ইফা হেক ফারে ফজরম্মনি, ঐবু রিসিব তৌসিরনে ... , হোয়দা কৈদৌএগে মীনা তুম্লিঙৈদা ভিদিও কোল্লিং তৌরকঅদি ঐগী শকফমসিদা মায়না খঙজরনি (রিসিব তৌবা) ... হাই সনাতোম্বা ... হ্বাট এ সরপ্রাইজ ... !

সনাতোম্বা :- হাই য়াইফবী, হাও আর য়ু ? নঙবু নুংঙাইইরিব্রো, কমদৌরিগে?

য়াইফবী :- নুংঙাইইরিয়ে, নঙদি নুংঙাইইরিবরো, কমদৌরিগে, ইবানি হন্দক্তি পাও কয়া ফাওনখিদরে, ঐনা এস.এম.এস. থাবসু নঙদি অমতা হল্লকখিদরে।

সনাতোম্বা :- ঐ হন্দক থবক খরা চীন্দুনা তৌবনি, ঐনা নঙোন্দা হেপ্পি ন্যুজ অমা হায়গে হায়দুনা কোল তৌরকপনি।

য়াইফবী :- করি ন্যুজনো পরপ পরপ থুনা হায়রকও, ঐ য়াম তানিংলে।

সনাতোম্বা :- ঐখোয় পপাগা ঐগা নুমিৎ খরনিগী ইম্ফালদা লাক্কনি, দে অফটর তুমুরোগী ফ্লাইট টিকেৎ কল্লবনি।

য়াইফবী :- নখোয় সিদা লাক্কনি হায়বা ঐদি হান্না খঙলে।

সনাতোম্বা :- হ্বাট ! করম হায়না নঙদি খঙলিবা, কনানা হায়রিবা ?

য়াইফবী :- অদুবুরো নখোয়গী পপাগা ঐখোয়গী বাবাগা য়াম্না লুনা তিন্নবা ফ্রেন্দনি, নখোয় পপানা ঐখোয় বাবাদা ইনফোর্ম তৌরকখ্রবনি, নখোয় ঐখোয়গী য়ুমদা লৈগদোইনি।

সনাতোম্বা :- ওহ ! অদুদি য়াম্না নুংঙাইবা ন্যুজনি, ঐ য়াম্না হরাওরে, য়াইফবী, ইবানি উন্নবা ফংলনি খল্লুবদা য়াম্না ইক্সাইটেত ওইরে ঐদি।

য়াইফবী :- ঐসু য়াম্না নুংঙাইয়ে, ইবানি উন্নরগনি খল্লুবদা।

থম্বাল :- (মনুংদগী লাওরকপা) ইবেম্মা করিনোনে ঙন্তানা নোং ঙাল্লি ঙাল্লি তৌরকপসিদা মুরুম মুরুম নতোমতা শোল্লিদুবো ... হায় নঙবু নোঙাললমদাইদা মঙ মঙলবরনে... ইবেম্মা ... য়াইফবী ... তারবো।

য়াইফবী :- সনাতোম্বা ইমানা কৌরে, ঙসিগীদি বাই ... থম্মগে।

সনাতোম্বা :- ওকে, গুড বাই, সি য়ু সুন।

-ম্যুজিক-

(মফম:- লন্দন, হেথ্রো এয়াপোর্ট, পেসেঞ্জর ময়াম চৎথোক-চৎশিন তৌবগী লাংবগী খোঞ্জেল, প্লেন লেন্দিং তৌরকপগী মখোল)

ইবোয়াইমা :- সনাতোম্বা ! হেথ্রো এয়রপোর্ট য়ৌরে, পোৎচৈশিংসি থাংথরসি লাকও, ইবুংঙো নঙবু তারবরো, সেনে নমিৎ পাংলোনে, নঙদি ওন্থোক্লা নুংঙাইনা তেক্সি মনুংসিদা তুম্লবোইরে।

সনাতোম্বা :- (তিংলি য়াংলিবা) ইস ! ঐদি ৰামন্দুনা তুমথোকলুরেদনা, ঙরাং অহি লেবোরেটরিদা থবক ময়াম লোয়শিল্লম্লবা হোৎনবদা সুংতুম তুম্লক্তরে, অদুনা ফজনা তুমথোক্লুরে ঙহাক।

ইবোয়াইমা :- লাকও লাকও এয়ারপোর্ট মনুংদা চংলসি লাকও, ঐখোয়না তোংগদবা ফ্লাইটতু অমুক্তা চেক তৌরুসি লাকও।

সনাতোম্বা :- হোয় পপা ... ঐ ফ্লাইট লাকঅবরা, লাকত্রিবরা অমুক্তা হংখিগে।

ইবোয়াইমা :- হোয় হোয়, ঐ ৱাইটিং রুমসিদা ফম্লমগে।

মীয়াম :- ফ্লাইট থেংনা য়ৌরক্কনি হায়য়ে, কৈদৌরবজাৎনো, করি তৌবা য়াওরজাৎনো... কয়াম থেংদোইজাৎনো, মরমবু করিগীনি হায়গে... পুং অনিমুক থেংথরকপা য়াই হায় ... মরমদি চপ চাবা খঙদ্রি... ইস ! কয়াম কুইনা ঙাইবা তারিগেনে তৌরিসিবো ... । (মীয়াম অমনা অমা পংঙাংদা ঙংনবা)

এনাউন্সর :- এটেন্সন প্লিজ ... ওল ফ্লাইটস তেকিং ওফ্ ফ্রোম হেথ্রো এয়রপোর্ট, লন্দন আর কেন্সেল্দ্ তুদে। নো ফ্লাইট ৱিল তেক ওফ ফ্রোম দিস এয়রপোর্ট ... ইনকনভিনিয়েন্স টু ওল দ পেসেঞ্জর ইজ দিপলি রিগ্রেটেদ।

ইবোয়াইমা :- এ ! করিনোনে হায়রিসিবো, করি মরমদগী ফ্লাইট কেন্সেল তৌদোইনোনে, ইস ! ওন্থোকপনিদা। অসুক কুইনা ইরমদম চৎপা ফংলকত্রবসিদা অমুক্তং চৎচরুগে তৌবসিদা অয়েৎপা অকায়বা অমা হেক্তা থোল্লুকই।

সনাতোম্বা :- পপা, ফ্লাইট কেন্সেল তৌরে হায়রিসিনদি ঐখোয় অমুক ঐখোয়গী লৈফমদা হনবা তারেনে, ঐনা ইম্ফাল থুনা য়ৌনিংলিসিগা, অস ! বেদ লক ওইরে, থৱায় নুংঙাইতে।

ইবোয়াইমা :- ফ্লাইট কেন্সেল তৌরিবগী মরম চপ চাবা অমদি খঙদোকখিসি অদুগা হল্লসু হল্লসি।

এনাউন্সর :- ওল দ পেসেঞ্জরস, প্লিজ পে এটেন্সন। ৱি কেম টু নো দেৎ দিয়ার ইজ ভোলকেনিক ইরপসন ইন আইসলেন্দ। সো, ফোর দ সেফটি ওফ দ পেসেঞ্জরস, ৱি হেব কমপ্লিটলি ক্লোজ দাউন ওল দ ফ্লাইট সার্ভিসেস তিল ফরদর নোটিস। সোরি ফোর ইনকনভিনিয়েন্স।

সনাতোম্বা :- পপা, নোংনিনিসিদি ফ্লাইট পাইবা য়াগনি হায়বা থাজদরে, এটমোস্ফিয়ার অসি ক্লিয়ার ওইবদা মতম খরদি চংলনি।

ইবোয়াইমা :- করিদি উপাই লৈরি, প্রকৃতিনা পীরকপা চৈথেংদগী ঐখোয়না করম্না নান্থোকপা ঙমগনি, ফরেসে ঐ মেরাজাউদা ফোন তৌদুনা অমুক্তা পাউ অসি খঙহনখিগে, মখোয়দি ঐখোয় ঙসি দিল্লিদা থুলগা হয়েং ইম্ফাল য়ৌরক্লগদবনি খন্দুনা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্লগনি।

সনাতোম্বা :- য়েস, পাউ অমা খঙহনখিবনা ফরনি।

ইবোয়াইমা :- (ফোন কি পেড নম্বা) হল্লো... হল্লো... মরুপ মেরাজাউ...।

মেরাজাউ :- হল্লো... ইবোয়াইমা নখোয় লাক্তোরব্রো, এয়ারপোর্টতা লৈরবো?

ইবোয়াইমা :- এয়ারপোর্টতবুদি লৈরে, অদুবু ফ্লাইট কেন্সেল তৌদুনা ঐখোয় ঙসি লাক্লরোই, নোংনিনি চোন্থরগা য়ৌরকপা তারে।

মেরাজাউ :- করিগীনো ফ্লাইট কেন্সেল তৌরিদি?

ইবোয়াইমা :- ভোলকেনিক ইরপসন থোকপা মরমনা ফ্লাইট পাইবা য়াদ্দুনা কেন্সেল তৌবনি, নোংনিনি লৈরগদি ফ্লাইট সার্ভিস অমুক হৌরবা য়াই, হেক য়াবগা ঐখোয় লাক্কনি, ইম্ফালদা য়ৌরক্লকান্দা মরম পুন্নমক ফজনা তল্লগে, থম্বালহোয়, ইচানুপীহোয়দসু পাওসে খরা তন্বীয়ু, ঐখোয় শোয়দনা লাক্কনি, নোং নিনি থেংথবগী ৱাতনি।

মেরাজাউ :- ফরে, ফরে করি উপাইদি লৈরি, থম্মগে (ফোন থমখিবা)।

সনাতোম্বা :- অদুদি পপা, ঐখোয়সু অমুক হল্লসি।

ইবোয়াইমা :- উম হল্লসি (গাড়ী থৌখিবগী মখোল)।

-ম্যুজিক-

(মফম:- মেরাজাউগী য়ুম, মতম-অয়ুক, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

থম্বাল :- হে কোরৌহনবা ইবুংঙো, নশেক নঙান্না তাইবং মালেম পুম্ববু ঙালহনবিরিবা, তোল্লবী করিসু খঙজদ্রবী ঐনা কৎচরিবা ধুপ থাওমৈ, হৈ-লৈ খরসে লৎনবা লৈতনা লৌবীয়ুকো, অফবা নুংঙাইবা য়াইফবা পীনবীয়ুকো (অয়ুক্কী লাই খুরুম্মবা)।

য়াইফবী :- ইমা... ইমা... কদায়দা লৈগে।

থম্বাল :- কৈদেওরগে ঐ সিদা মাঙ্গোলদা লাই ধুপ থাওমৈ থাল্লিয়ে, লাই ঙহাক্তং খুরুম্বসিসু মেন অমা হেক তাদে, পংকৌদা কৌই।

য়াইফবী :- (হরাওনা) ইমা ! সনাতোম্বাহোয়, অঙ্কল ইবোয়াইমহোয় হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা থুংলরে, হোরেল নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল য়ৌরক্লনি হায়য়ে। বাবা... বাবা... (কৌর কৌরগা চৎখিবা)।

থম্বাল :- ওন্থোকপা অঙাংনিদকো, ওন্থোক্লসু মঙাও থিখরে, মতোমতা পোকই হায়দুনা মপাগা ঐগনা নুমিৎ থা য়েংবগুম য়েংজরিবনি।

মেরাজাউ :- (ৱাক্কিং হঞ্জিল্লকপা) য়াইফবী ! ইচা থোইবী কৈদৌরগেনে নঙনা কোইলাং লাংঙীদুবো।

য়াইফবী :- (হরাওনা) অদুবুরো অঙ্কল হোয় দিল্লি য়ৌরকএ, ইম্ফাল য়ৌরক্লনি হায়য়ে।

মেরাজাউ :- (নোকপা) অদুগী ওইরে নঙনা অদুক হরাওরিদো, কুইনা উনরুদ্রবা মরুপ উবা ফংলনি খন্দুনা ঐনা হরাওবদগীদি ইচানা হরাওবনা খরা খিৎ হেনবা মাল্লে।

য়াইফবী :- (শাওরপ) মীনা পাউ হায়বীরগা, বাবাগী ইমান্নবা লাকঅগা ঐদি কৈদৌবগী হরাওদোইবা।

মেরাজাউ :- নুংশিদনা ফাগী তৌরগা... শাওরিনে ... অঙাওবীসিদি।

থম্বাল :- মোয়বাবা চা লৈজরে, সে সে ইবেম্মা নঙগী শঙ্গোমসু লৈরেসে। মোয় বাবা নহাল মৈগী চীং পোকখায় হায়রিবা মফমদুবু কদায়দনো, তামো ইবোয়াইমাহোয়গী ফ্লাইট কেন্সেল তৌখিবদুনা করিগীনো ।

মেরাজাউ :- (চা থক্না থক্না) আ আইসলেন্দ হায়বা মফমদুদনি।

য়াইফবী :- বাবা লন্দনগী এয়াপোর্টতুগা আইসলেন্দগী ভোলকেনিক ইরপসন তৌরিবা মফমদুগবু য়াম নক্নবরনে।

মেরাজাউ :- য়াম নক্নবদি নৎতেদা, চাওরাক্লা কিলোমিটর ১,৮৪৮ রোম লাপনৈ।

থম্বাল :- অদুদি য়াম্না লাপনৈনা মফমদুদা মৈগী চীং পোকখায়রগা লন্দনদগী ইন্দিয়াদা পাইরক্কদবা ফ্লাইট কেন্সেল তৌরিদুদি করিগীনো।

মেরাজাউ :- মৈগী চীং পোকখাইরকপা মতমদা লৈবাক মনুংদগী অশাবা মহি লভা, উফুল-ৰাইফুলনচিংবা কাপথোরকই অমদি গ্যাসশিং মরুওইনা সলফর দাইওক্সাইদ, কার্বোনদাইওক্সাদকী চাং য়াম্না ৰাংনা এটমোস্ফিয়ার অসিদা থাদোরকই, হায়রিবা গ্যাসশিং অসি য়াম্না লাপ্পা শন্দোরক্তুনা ইয়র পোল্লুসন থোকহল্লি, মরম অসিনা পেসেঞ্জরশিং খুদোংথিবা থোক্তনবা ফ্লাইট কেন্সেল তৌরিবনিকো।

য়াইফবী :- বাবা ! আইসলেন্দ অসি এটলান্তিক ওসিনদা লৈবা মালেমগী মনুংদা লৈরিবা আইলেন্দশিংগী মনুংদা অনিশুবা খ্বাইদগী চাওবা আইলেন্দ, ইথৎনিকো।

মেরাজাউ :- উম মানি, আইসলেন্দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাওরাক্লা মৈগী চীং ১৩০ রোম লৈ মসিগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক য়াম্না এক্তিব ওইরিবনা ৩০ রোমনিকো। আইসলেন্দগী মফমশিংদা য়াম্না তোয়না তোয়না ভোলকেনিক ইরপসন তৌইকো। হোরেল নোয়গী অঙ্কল মেরাজাউ অমদি মাগী মচানুপা সনাতোম্বা লাকঅগা নোয়না খঙনিংলিবশিংদো লোয়না হংহৌরোকো।

থম্বাল :- মোয় বাবা, হোরেল তামোহোয় লাকঅগা করি করি পীজসিগে, মোয়দি ঐখোয়গী ইরমদমগী চীঙ্গাকশিংসে চাদবা কুইরবনিনা খরা স্পিসিয়েল ওইবা মথেল ওইনা পীজসি।

য়াইফবী :- ইমা ! পেংবা অমা থোংলসি, পানগা থাংজিংগা অমা ইরোল্লসি, নাকুপ্পীগা খজীংগা কাংহৌ অমা ঙৌরসি।

মেরাজাউ :- হোয় হোয় নোয়না থোকপা তৌরো, উশোই ঊতিনা হয়েং অয়ুক ওইনা পীজরসি, অদুদি ফার্মদা পেংবা লৈবা চৎলুরসি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মফম: মেরাজাউগী য়ুম, মতম - নুমিদাং, ময়াম লাংবগী মখোল)

ইবোয়াইমা :- চহি কয়াগী মতুংদা ইশাগী ইরমদম অসিদা লাক্কুনা ইরমদমগী চাক এঙ্গাং চাবা ফংবসিদি ওন্থোক্লা হাওখরে, পুক্লিং অসিসু য়াম্না নুংশিবা ফাওই ঙসিদি (চাক চাবগী মওং) ।

মেরাজাউ :- মরুপ কুইরেকো, ঐখোয় অসুম্না ফম্মীন্নদুনা চামিন-থকমীন্নবা ফংলকত্রিবসে। ইচা সনাতোম্বদি চাক এঙ্গাংসি চাবা হৈনদ্রবরো।

সনাতোম্বা :- অঙ্কল ! ঐদি অঙাং ওইরিঙৈদগী মীরমদা লৈজরবসু বাবানা মরক মরক্তা ঐখোয়গী ইরমগী এঙ্গাংশিং থোংলগা পীজৈয়ে অদুনা য়াম্না হৈনৈ, ঐনসু য়াম্না পামজৈ, লন্দনদসু মনা-মমিং য়াম্না ফংঙি।

থম্বাল :- করি করি হাপচরকউগে তামো।

ইবোয়াইমা :- ইরোম্বদু ওন্থোক্লা হাওখরে, ইরোম্বদু খরা হাপ্লকউ।

থম্বাল :- য়ারদরা তামো, খরগা হাপচরকউরা ?

ইবোয়াইমা :- য়ারে য়ারে।

য়াইফবী :- সনাতোম্বা সে পেংবা থোংবসে খরা হাপ্লক্কে।

সনাতোম্বা :- উম, মসিগী ঙাসিদি য়াম্না হাওই, ঐদি ঙসি চারিসিনা অহানবনি।

মেরাজাউ :- ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা ঐখোয়গী ইরমদমগী ঙানি, হৌজিক্তি য়াম্না তাংনা ফংলে। হায় নমা নচাসু চাক্তু চাথোক্লোদনা।

য়াইফবী :- ইমাগা ঐগদি কোন্না তপ্না চারগে, ময়ামগী অৰাৎ-অপা য়েংখিগে।

থম্বাল :- তামো চাকপুদি চারি, ঐ কৈনোমতা হংজগেবা।

ইবোয়াইমা :- করিনো থম্বাল নঙনা হংনিংলিবো, হংঙুনে হেক্তা।

থম্বাল : মালেমসিদা লৈরিবা মৈগী চীং, ভোলকেনোশিং অসিগী মরমদা খরদং খঙজনিংই, অদুগা ভোলকেনোশিং অসি পোকখাইরকপা মতমদা মালেমসিগী অইং-অশা, ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমদা অকায়বা থোকহল্লকপশিং অদুসু খঙনিংই তামো।

ইবোয়াইমা :- সনাতোম্বা ! নোয় অস্তিনা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাওখুমদি নঙনা ওইনা পীবনা ফরনি। থম্বাল ! ঐখোয় সনাতোম্বসে হৌজিক হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াগী মীওইশিংগা পুনশিল্লগা ভোলকেনিজম, প্লেট তেক্টোনিক অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জগী মরমদা য়াম্না কন্না থিজিনবগী থবক চৎথরিবনি।

সনাতোম্বা :- অস্তি, ভোলকেনোশিং অসি মেগমা হায়বদি মোল্টন রোক, শৌদোক্লবা রোকশিংনা শেম্বা চীংনি, মখোয়দি মতম অমদা হেক্তা পোকখাইরকপা য়াই, হায়রিবা ভোলকেনোশিং অসি পোকখাইরকপদা মোল্টন রোক, লভা, এস(ash) অমদি হু চেল্লবা গ্যাস কয়াসু পৃথিবীগী লৈমায়দা কাপথোরকই অমদি ফৎত্রবা গ্যাসশিং অসিনা এটমোস্ফিয়ারদা তিনশিনখি।

থম্বাল :- ইস ! মৈগী চীং অসিদি য়াম্না কিনিংঙাইনিকো।

সনাতোম্বা :- ঙসিদগী চহি লিশিং অনিরোমগী মমাংদা ইটালিগী মাউন্ট ভেসুভিয়স হায়বা মৈগী চীং অদু পোকখাইরকপা মতমদা অশাবা লভা, মোল্টন রোক, অশাবা উৎকী শরুকশিং সেকেন্দ অমদা মিলিয়ন টন ১.৫ কী চাংদা কাপথোরকখি।

য়াইফবী :- ইস ! অদুদি মফমদুদা লৈরম্বা মীওই কয়াগী পুন্সিসু মাংলমলগনি।

সনাতোম্বা :- পোম্পে হায়রিবা সহরদুমা পুংতুম তুমখ্রিবনি।

ইবোয়াইমা :- ইং ১৯৯১ দা ফিলিপিন্সতা লৈবা মাউন্ট পিনাতুবো পোকখাইরকপা মতমদা টুৱেনটি (২০) মিলিয়ন টন সলফর দাইওক্সাইদ অমদি অশাবা উৎকী শরুকশিং এটমোস্ফিয়ারদা কিলোমিটর ২০লোম ৱাংনা কাপখৎলকখি। মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখি। চয়োল অহুমলোম হায়রিবা গ্যাসশিং অসিনা এটমোস্ফিয়ার অসিদা কুপশিন্দুনা লৈখি। ভোলকেনিক ইরপসননা মালেমগী অইং-অশাগী চাংদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লি।

মেরাজাউ :- পুংসু থেংজিনলক্লে, ঙহাক পোত্থানবা তৌরসি, লাকও মরুপ অসোম কাদা টি.ভি. ঙহাক য়েংলুরসি।

ইবোয়াইমা :- হোয় মরুপ, অদো মরুপ নখোয়সু মতম খরা লন্দনদা কোইবা ওইনা চৎলুসি।

থম্বাল :- ঐদি কুইরবনি থেমস তুরেল মথক্তা শারিবা লন্দন ব্রিজদা চেন চোংদুনা শান্ননিংবা (ময়াম পুন্না নোকপা)

-ম্যুজিক-

(মতম- নুমিদাং, মফম- পুখ্রি মপাল, কৌজেং হারৌগী খোঞ্জেল)

সনাতোম্বা :- য়াইফবী নতোমতা পুখ্রি মপানসিদা ফল্লমলিবসিবু করি তৌরল্লিবনো, কনাগী ৱাখল খনলমলিবনো।

যাইফবা :- কৈসু তৌদে, কনাগী ৱাখলবু খল্লুবা তৌদে। সনাতোম্বা ! থাবল মঙালসি ফজদরা, নঙসু সিদা ফমসি লাকও।

সনাতোম্বা :- থাবলসি য়াম্না ফজে, নুংশিবা লৈনম অমসু নুংশিৎনা হুমদুনা পুরক্লিবসিবু করি লৈগী লৈনম ওইরিগবা।

যাইফবী :- থাবল মঙালদা শাৎচবী থাবল্লে কৌবী লৈরাংগী লৈনমনে।

সনাতোম্বা :- যাইফবী ! ইবানি ঙসি অসুম্না মফমসিদা থাবল মঙালসিদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবা ফংলক্কনি হায়বসি থাজব্রা?

যাইফবী :- ঐদি অসুম্না ওইরক্কনি হায়বসি খক খল্লুদে, ফেসবুকতা ৱাটসআপতা এস.এম.এস. তা পাও খরা খরা ফাওনবখক্তনি অদুবু ঙসিদি ইবানি...।

সনাতোম্বা :- নঙগা অসুম্না থেংনরকপসে ঐ য়াম নুংঙাই, ঐদি ইরমদম অসিদা অসুমক লৈনিংলে অমুক লন্দনদা হন্নিংদরে। অদুবু হন্দবদি য়ারোই, ঐনা পাংথোক্কদবা থবক য়াম্না লৈহৌরি, নঙসু মতম খরা লন্দনদা লৈরুসিদনা, নঙগী ফেশন দিজাইন কোর্সতুসু অদা তম্লুরসি।

যাইফবী :- হোয় ঐসু আদা ওইনা তম্লিংই, ইমা-বাবাদা হংখিগে, মখোয়না করি পাল্লিবা হায়বদুসু খঙদোকখিগে।

থম্বাল :- (মনুংদগী কৌরকপা) ইবেন্মা থেংঙে লাকওনে, ইমুংদা চংঙকওনে, পুখ্রি মপান্দুদা করি তৌরিগে, লাকও লাকও তুন্নসি লাকও, হয়েংদি ঐখোয় লোয়না কোইবা চৎকদৌরিবনি।

যাইফবী :- সনাতোম্বা ! লাকও ইমুংদা চংলসি লাকও্

সনাতোম্বা :- হোয় চংঙসি, গুড নাইট।

যাইফবী :- ওকে, গুড নাইট।

-ম্যুজিক-